

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SATURDAY, OCTOBER 14, 2017 PAGE 7


*এমসিসি ৱার্ল্ড ক্রিকেট কমিতিদা ইহান হানবা ওইনা বংলাদেশকী মায়কৈদগী মেম্বর ওইবা ঙমখ্রবা লৈবাক অদুগীমক্কী ওল রাউন্দ শান্নরোই সাকিব অল হাসন*

*চাইনাগী টিয়াঞ্জিন সিটিদা পাঙথোক্লিবা টিয়াঞ্জিন ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌরবী চাইনাগী এল ঝু*

## ইন্দিয়ানা বংলাদেশপু পাঞ্জল ৭-০ দা মায়থিবা পীদুনা এসিয়া কপ মেন্স হোক্কি টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে



*ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বংলাদেশকী মায়োক্তা পাঞ্জল অনী চনখিবা হর্মনপ্রিত সিংহ (য়েৎ)না পাঞ্জল চন্লবা মতুং হরাওবা*

*ধাকা, ওক্তোবর ১৩ঃ*

বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা ধাকা সিটিদা লৈবা মোলানা বাসানি হোক্কি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা নুপাগী হোক্কি এসিয়া কপ ২০১৭ কী ঙসি গ্রুপ (এ) গী শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু বংলাদেশপু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইদুনা গ্রুপ অসিদগী মকোক ওইদুনা অনীশুবা রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

পুন্না টিম ৮ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্না লম্বা তৌনরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ঙসি বংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়াগী মেটচ অদু হৌরকপদগী হৌনা ইন্দিয়ানা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক চথবা হৌরকখি।

অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহুম চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী গুরজান্ট সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ইন্দিয়াগী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি।

মখা তানা চথখিবা এটেক অমদা অকাসদিপ সিংহনা শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগা হাপচিন্দুনা বংলাদেশপু ঙন্না ইন্দিয়ানা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

মিনট ৩ লৈরগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই এস ভি সুনিলনা ফংখিবা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অহানবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা বংলাদেশপু ৩-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিনবদা ঙাইরিঙৈ ইন্দিয়াগী অমিত রোহিদাসনা খুদোংচাবা অমা ফংদুনা ফিল্ড গোল অমগা হাপচিল্লগা ৪-০ দা স্কোর অদু লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদু লোইগদবা মিনট ২ দা ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়ানা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা ফংদুনা খুদোংচাবা অদু হর্মনপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৫-০ দা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অহৌবা মিনট ১৫ গী শান্নবা অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল মখা তাবা ঙমখিদে। অদুবু অরোইবা ক্বার্টর হৌবদা ঙাইরিঙৈ ইন্দিয়াগী রমনদিপ সিংহনা পেনাল্টি কোর্নর অমা চন্দুনা ৬-০ দা লৈখি।

অরোইবা ক্বার্টর অদুগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা হর্মনপ্রিত সিংহনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ইন্দিয়ানা বংলাদেশপু পাঞ্জল ৭-০ দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী ইন্দিয়ান মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা জপান অমসুং পাকিস্থান পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি। পাকিস্থানগী মায়কৈদগী কাদির অমসুং ভুটানা শান্নবগী ১৬ অমসুং ৫০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি।

জপানগী মায়কৈদগীনা কে টানাকা অমসুং য়োসিহারানা শান্নবগী ২২শুবা অমসুং ২৯ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখি।

পনবা য়াই ইন্দিয়ানা অহানবা মেটচতা জপানবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখিবনি। অদুগা পাকিস্থাননা বংলাদেশপু ৭-০ দা থোইরমখি। নোংমাইজিং নুমিৎতা ইন্দিয়াগী অরোইবা মেটচ অদু পাকিস্থানগা শান্নগনি।

## সাংহাই মাষ্টর্স টেন্নিসকী সেমি ফাইনেলদা সিলিক অমসুং নদাল থেংনরগনি, পোত্রোনা ফেদররগা থেংনরগনি



*সাংহাই ওপন টেন্নিসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ক্রোএসিয়াগী সিলিক অমদি আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রো*

*সাংহাই, ওক্তোবর ১৩ঃ*

ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকনা সাংহাই মাষ্টর্স টেন্নিসকী সেমি ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদালগা শান্নরগনি। অমরোমদা আর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পোত্রোনা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল থেংনরগনি।

মারিন সিলিকনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী অলবর্ট রামোস ভিনোলাসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

মহাক্না সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদালনা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভকা লম্বা তৌনবদা সেট ৩ চঙনা ৱানা থোইখি।

অহানবা সেট নদালনা ৬-৪ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা দিমিত্রোভনা ৭-৬(৭-৪) দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা নদালনা ৬-৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা আর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পোত্রোনা সর্ভিয়াগী ভিক্তর ত্রোইকিবু ৪-৬, ৬-১, ৬-৪ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলগী ষ্টেজ য়ৌখি।

মহাক্না লম্বা তৌনগদৌরিবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ফ্রান্সকী রিচার্দ গাস্কিবু ৭-৫, ৬-৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান পেয়র ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পিয়র্সনা বৃটেনগী জেমী মুরে অমদি ব্রাজিলগী ব্রুনো সাউরেজগা সেমি ফাইনেলদা লম্বাতৌনরগনি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা কোন্টিনেন অমসুং পিয়র্সনা ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগ অমসুং স্পেনগী মার্সেলো গ্রেনুলর্সপু ২-৬, ৬-৩, ১০-৮ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা জেমী মুরে অমসুং ব্রুনো সাউরেজনা সাউথ অফ্রিকাগী রাবেন ক্লাসেন অমদি য়ুএসএগী রজিব রামবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-১, ৭-৬(৮-৬) দা থোইরমখি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অমদনা নেদরলেন্দসকী জে জে রোজর অমদি রোমানিয়াগী ঐচ টেকাউনা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোগা লম্বা তৌনরগনি।

রোজর অমসুং টেকাউনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী ও মরাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী এম পাবিভপু ৭-৬(৮-৬), ৬-৪ দা থোইরমখি। অদুগা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা কুবোট অমসুং মেলোনা মেক্সিকোগী এস গোঞ্জালেস অমদি চিলিগী জে পেরাল্টাবু ৭-৬(৭-১), ৬-৪ দা মায়থিবা পীখি।

চাইনাগী টিয়ানজিনদা পাঙথোকপা দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল শান্নগদবা শান্নরোইশিং অদুদি সরাপোভা, স্বাই পেং, সরা ইরানি অমদি এ সাবালেনকানি।

সরাপোভানা ঙসি স্বিজরলেন্দগী এস ভোজিলিবু ৬-৩, ৬-১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি। মহাক্কী লম্বা ওইগদৌরিবী চাইনাগী স্বাই পেংনা স্পেনগী এস সোরিবেস টোর্মোবু ৬-০, ৬-১ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল লম্বা থেংনগদৌরিবী শান্নরোইশিং অনী অদুদি ইটালিগী সরা ইরানি অমসুং বেলারসকী এ সবালেনকানি।

সরা ইরানিনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ঙসি য়ুএসএগী সি মেকহেলবু ৫-৭, ৭-৬(৭-২), ৬-১ দা থোইরমখি। অদুগা সবালেনকানা চাইনাগী এল ঝুবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

## ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রি অমসুং দিভিজ সরন টাস্কেন্ট চেলেঞ্জরদা রন্নর্স অপ তাহৌরে

*টাস্কেন্ট, ওক্তোবর ১৩ঃ*

উজবেকিস্থানগী সিটি টাস্কেন্টতা পাঙথোকপা টাস্কেন্ট চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা মায়থিহৌদুনা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রি অমসুং দিভিজ সরন রন্নর্স অপ তাখ্রে।

ভাম্ব্রি অমসুং সরন টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সিদেদ পেয়র ওইখিবা চিলিগী হান্স পোদলিপনিক কাষ্টিলো অমসুং বেলারসকী এন্দ্রি বাসিলেপস্কিগা ফাইনেল শান্নবদা য়াম্না কোম্না ৬-৪, ৬-২ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনীনা টুর্নামেন্ট অসি হৌরকপদা য়াম্না ফজনা মকোক থোংবা পেয়র মায়থিবা পীরগা লাকখিবনি। ফাইনেল অদুসু মখোয়না লৌগনি হায়না কন্না হোৎনরম্বনি।

শ্রী লঙ্কাগী কলম্বোদা শান্নবা আইটিএফ ৱুমেন্স টেন্নিসতা ইন্দিয়াগী রিতাজা বোসলেনা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা নিক্লোভাবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নাকল অমরেমাদা হোং কোংদা চথরিবা দব্লিয়ুটিএ টুর্নামেন্টতা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভানা অতোপ্পা লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোই লিজেট কাব্রেরাবু ৬-১, ৩-৬, ৬-৪ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

হয়েং শান্নগদবা সেমি ফাইনেলদা গাভ্রিলোভানা য়ুএসএগী জেনিফর ব্রেদিগা লম্বা তৌনরগনি। জেনিফর ব্রেদিনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অতোপ্পা য়ুএসএগী শান্নরোই নিকোল গিবসপু ৭-৫, ৬-৪ দা থোইরম্বনি।

পনবা য়াবদি মখোয় অনীনা মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ অনীদা গিবসনা ব্রেদিবু থোইদুনা লাকখিবনি।

## 'পোজসনু হেন্না মরুওইবদি য়াওবা ঙম্বসিনি ফিফা ৱার্ল্ড কপ'

### এল. কালা, উরিপোক

খুন্নাই অমদা মতম মতমগী ওইবা থৌদোক ৱাথোক লাম্বোক ঙাংনবা শক্লবা নৈনবা তাইবং পানদা মীওইবা কাঙলুপকী লিচৎনি শাজৎনি হায়বা তারে, লাইনা শেন্নকপদা শান্নরকপদা য়াওরকপনি, মীওইবা নৎতবা অতোপ্পা থৱাই পানবা জীবশিং দদি য়াওহল্লক্তে। মসিদবু লাই লৈতে হায়বা য়ারিব্রা করিনো অমদি মরুমদা লৈরি মীওইবদা নৎতনা অতোপ্পা জীব অমত্তনা তৌবা ঙমদবা মহৌশাগী খুৎশেম্নি হায়বা মহৌশা হায়বা উবা ঙমদবা পোৎশক অমা অদুবুনি ঐনা লাইনি হায়জরিবা। মীওইবদা য়াওরকপা নীংশিংবগী শক্তি অমনা নীংশিংলকই মেরা থানা লাকপদা লৈখিদ্রবা অহৈবম শ্যামনা খোইথুম্নবা শকখিবা কুইর কুইর মগুন হেনগৎলকপা ঈশৈ 'শুমাং খুদিং মেরা ৱা, থাওমৈ পরেং দিৱালি, বাইলা লীলা শনশেনবা... মেংনা লাকই মেরা থা... নুংশিখ্রবা ঈশৈনি হেক তাবা মীপুম খুদিং শুমহৎপা ঙম্বা ঈশৈনি মেরা থানা লাকপদা হৈয়াংগৈনা তুংইন্ননা লাকপদা শৈহেকসিগা লোয়ন-লোয়ননা য়ুমথোং খুদিং টিভিদা ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱার্ল্ড কপ ২০১৭, মীৎয়েং তান্নে, লৈরক কোনশাং হোটেল খুদিং, ক্লব খুদিং অমদগী অনী তিন, অনীদগী অহুম তিন মফম খুদিং হেন্না থৱাই য়াওজবা ঙাওজবা লমদম মণিপুর মুরুম মুরুম ঙরং ঙরং অমুক্তোইবা 'ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱার্ল্ড কপ-২০১৭ কী ৱারী, মীৎনা উবা লোয়রবা মতুং পোষ্ট মোর্টেম রিপ্লে পাওদম হায়বা তারে। পীকখ্রবা লমদম মণিপুরদগীনা তাংনা ফংবা ফম্বাক অসিনা চাওখ্রবা ভারত মীশিং য়ামখ্রবা শোক ২০১১, মার্চকী তারিক অমা ফাওবদা লৈবা মীশিং মণিপুরগী লাখ ২৭,২৭,৭৪৯ য়াওনা ভারতকী ওইনা মিল্লিয়ন ১,২১০.৭ (অমা অনী অমা শুন্য পোইন্ট তরেৎ) অসিগী কুনমাথোই মহুৎ শিনবসিদা মণিপুরদগী নিপান য়াওরগবু করিগী ঙাংনরোই শক্লরোই মফম খুদিং অদুগীসু মথক্তা য়াম্না মরুওইবা কেপ্টেন অমসুং গোল কিপর লমদমসিদগীনি। মহুৎ শিনবা হায়জবনি, নুপী অঙাং অহল-লমন থাদনা নুপা চহী ১৭ লেঙ্গাগী ওইবা কয়াগী মনুং দগী কুনমাথোই খনগৎপনো হায়বা অকুপ্পদি খঙদে। ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱার্ল্ড কপ ২০১৭, নুমিৎ তরেৎনি হৌজিনখ্রে নোংমদা মেটচ মরি-মরি শান্নদুনা অনীশুবা তাঙ্কক লৈবাক তরাতরুক্কী মনুং চনবা ঙমহৌনবা মাগী মাগী অহৈবা অঙম্বা শক্তি পুথোক্তুনা শান্নবা মীয়াম্না উনরে নুমিৎ খুদিং য়েংনিংবা টিভি চেনেলদা পুংফমদা। নুংঙাইবা ঙাক্তনি চহী খরা নৌরিবা নুপামচাশিংনা থৱাই খুবাক্তা হাপ্পুনা মানা মানা ঙমজবা থাক্তা মরৈবাক্কী মহুৎ শিন্দুনা লাকপনি খন ঐখোয় পোবা য়াদে হায়না শান্নখিবা। ফনা কন্না হোৎনৈ অদুবু পোবা য়াওদ্রবদি কুনমরিগী মনুংদগী ১৬, ৮, ৪, ৩, ২, ১ করম্না খনগদৌরিবনো? খন্দবদি য়াদে। মতাংস্বাইদা পুম্নমক্না খনবীগদবসি পোবখক নৎতে, হেন্না মরুওইরিবদি য়াওবা ঙমগদ্রা ঙল্লোইদ্রা করম তৌগনি হন্দক্কীসিনা পরা অমা ওইরগা য়াওরিবা লৈবাকশিং অমদি য়াওবা ঙমহৌদ্রবা লৈবাক কয়ানসু পোরবসু নীংহন্নবা য়াদে, হন্দক ঙমহৌদ্রবসু মথংগী শোয়বা য়াদে খা চীক্তুনা খুৎতুম শিংদুনা হোৎনদ্রবদি অরুবা মফম অমা য়ৌবা ঙল্লোইহায়বা ৱাখল্লোন্নি। ৱাখল্লোনসিমক্তি লোয়নমক্না খঙনরে খঙনদুনা লাক্লে লুরিবদি হোৎন-হোৎননা হেক্তা য়ৌশিনবা চঙশিনবা য়াদবসিনি ঙমদবসিনি খ্বাইদগী অরুবা অমা ওইরিবসি।

অতোপ্পা লৈবাক্কীদি তোঙানবা অমদা থমখ্রগা ভারতসু মশান্নসি খরা ঙল্লিঙৈদগী মরুওইনা বেঙ্গল ষ্টেটনা থৱাই য়াম্না য়াওনা মশান্নসি মখোং শোমদুনা ঈশিং চাইদুনা ভারতকী অতৈ ষ্টেটশিংদগী খরা হেন্না হোৎনদুনা লাকপনি হায়বদা লাল্লোই। হৌজিক্তি হোৎনজমন্না ভারতকী ষ্টেট খুদিংগী মফম খুদিংদা মশান্নসি থৱাই য়াওদবা লৈশিল্লক্ত্রে। ভারতকী মীপুম খুদিং ফুটবোল মশান্নসিনা হুমদুনা পুবা ঙম্নবগী ইহৌ অমা অমুক শাগৎলকপা ওইনা ভারত মায় পাকপা অমা ওইনা ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱার্ল্ড কপ ২০১৭ য়ুম্বু ওইবা ঙমদুনা য়ুম্বু ওইবা ঙম্বগী খুদোংচাবা ফংদুনা অহানবা ওইনা মীমাং থোকপা ওইনা ৱার্ল্ড কপ শান্নবা ফংলে। ভারতকী ওইনা মণিপুরনা শান্নরোইশিং খরা হেন্না ৱার্ল্ড কপ্পর শান্নরোই ২১ (কুনমাথোই) লৈরে। চহী ১৭ (তরাতরেৎ) তাঙ্কক মীওইবগী পুন্সিদা তিং ফুদোকপগী তাঞ্জা অহানবা অহৌবা মতাং চাবা তাঙ্ককনি। তম্বা য়াবা তম্লবা, য়ারে হায়না চাংয়েংননিংবগী তাঞ্জা অমনি, লুরবা তানফমনি শান্নবগী মায়কৈ অমদা মাইয়োন শেন্নকপদা। পুম্নমক্না খরদি খঙলে উরে ঙসি তরেৎনি চনবা নুমিৎসিফাওবদা শান্নরিবা থাক, লৈবাক কুনমরিনা শান্নবগী মওং মতৌ। ফুটবোল শান্নবা ৱাখলদদি য়াম্না লুদবা হায়বদি তরামাথোই তরামাথোই মীচং খাইদোক্লগা শান্নবদা মীচংনা মীচংদা বোল পীদুনা অদুগা গোল চন্নবা হোৎনবা ইচম চম্বা অসিনি। শান্নরোই লোইনম্না খঙই, অয়েংবসু খঙই কোচনসু খঙদুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়দুনতা লৈরবা ঐখোয়না ঐখোয়গী মীদা বোল পাস তৌদুনা খ্বাইদগী অথুবা মতমগী মনুংদা এটেক তৌদুনা গোল চন্নবা পরাসি থিওরি ওইনা প্রাক্তিকেল ওইনা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনবসিনি হোৎনরিবা। অদুবু হায়বদা ৱাখলদা ইরাই লায়না ঐনা ঐগী মীদা পাস তৌবা অদুগা পোষ্টা গোল চন্নবা কাউশিন্নবা হোৎনবা হায়বসিমুক লুবদি লৈরমদ্রে নাকল অমদসু ঐগা ঐগগা চপ মান্নবা তরামাথোই অমসু ঐ ঐদৌনা লৈরম্বসিনি। নাকল অনীমক অরাইবা অমত্তা ওইরমদ্রে হায়বদা লাল্লরোই ঙসিফাওবদা চহী তাঙ্ককসিনা শান্নরিবশিংসি উরগা। অমনা অমবু ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসিদা অহানবদা পোসেশন ফুটবোল হায়বনা ওইরগা মখা তারকপদি অচৌবা পরা ময়াম অমা মথং মথং য়োমদুনা লৈরম্লে। মীওই মীতৌ ৱাং চাওবা, পাঙ্গল কনবা, লমজেল য়াঙবা, খোৎ খুৎ শিংবা ৱাখল ফাথবা ঙম্বা, মাইয়োক্লবগা থেংনবদা খুদক্কী ওইবা পাইরক পাইথুগী লৌশিং, করম্বা মফমদা বোল পাস তৌরক্লবা লেপকনি চেনগনি, করম্না করম্না স্বিট্টানা বোল পাস তৌগনি, শান্নরিঙৈ মতম খুদিংদা ঐগী মীচং কদাইদা লৈ, ওপোনেন্টনা করম্বা মওংদা লৈরিবগে হায়বসি খঙনবা আই কন্ট্রোল, পীনিংবা মফমদা চপ চপ চানা কাওবা ঙম্বা পীবা ঙম্বা, করম্না বোল মুনগনি, করম্না বোল ফাগনি য়ামখ্রে ফুটবোল শান্নরোই অমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা চেন্দ্রবা য়াদবা গুনশিং অসি। য়ামখ্রবা গুনশিং অসি চাম্নদা চাম্ন চেনবা ঙমদ্রবসু পারসেন্টেজ খরা হেন্না চেনবা শান্নরোইশিংনা য়াওবা টিম্না খরা হেন্না চাং মান্ননা য়াওরবা টিম্না খরা হেন্না ফবা হায়বসি ওইরম্লে।

পুক্নিংনা হেক খনবগা ব্রেন্না পাঙথোক্লবা হেক হায়বগা মসলনা হেক্তা পাঙথোকপা ঙম্বা অহুমসিগী কোরদিনেসন হেন্না য়াওবা শান্নরোইতনা অহেনবা শান্নরোই ওইবা তাই। লোইন-লোইনন্না শান্নবগী লাল্লোং য়াৎপা তাই খঙবা তাই লান্দা খুৎলাইগী মতুং ইন্না লাল্লোং য়াৎপগুম। মসি পুম্নমকসি ঙম্নবা হোৎনরকপদা ফুটবোলদা নৎতনা মশান্না খুদিংগী অফবা মখলগী শান্নফম, অফবা মখলগী ট্রেনিং এক্যুপমেন্ট লৈরবা সেন্টর শান্নরোইশিংনা শেৎকদবা চাগদবা শিজিন্নগদবা মপোৎ মচৈ, অনৌ-অনৌবা ৱাখল পুথোকপা ঙম্বা খঙবা ওজা মরাং কায়না লৈনবা, ফংনবা লৈঙাক্না হোৎনবীরবা ফংহনবীরবা মতমদতা মালেমদা মকোক থোংবা শান্নরোই ওইবা ঙমগনি, কাবক কাবক লাইগী শোইদনবগী তৌবনদি য়াওবদি ঙম্বা য়াই মকোক থোংবা ঙম্বদি ওইথোক্তে। পুম্নমক মকোক থোংবা ঙম্নবা ভারত ময়াই লৈঙাক্না লোইননা মণিপুর লৈঙাক্না স্পোর্টস বজেৎ মপুং ফানা হাপ্পা মথৌ তাই, মসিনি খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি। অফবা স্কুলদগী হৌরকপা ছাত্রনা খঙবা খরা হেল্লি হায়বদুদি হন্দক অন্দর সবেন্টিন ৱার্ল্ড কপ অসি য়েংবদা ভারতকী ওইনা অশোনবা অশোয়বা মথং মথং ফন-ফন চোং থোরকই, ফিভম চাও শাংবা লুম্না হেনবা পাসিং স্পিদ এক্যুরেসি, কুইক দিসর্পস, কুইক মুভমেন্ট, ষ্টেমিনা ভারতকী শান্নরোইশিংনা য়াম্না তাবা নৎত্রবসু গ্রূপ লোইনমক্কী টিমশিংনদি ভারতগীদি খরদি হেল্লি হায়বদা লানলোই। অদুবু হেনখি হায়বদুনা নীংহন্নবদি য়ারোই, নীংহন্নবগী মহুত্তা থৌনা হাপ্পুনা থৌনা লৈনা মীনা ঙম্লসিমক ঐখোয়সু ঙমগনি, মীনা ফংলিবা খুদোংচাবশিং ফংহনবীয়ু হায়না পীবা ঙম্বা লৈঙাক্তা খঙহন্দুনা পুম্নমক পাঙথোক্লবা মীয়াম চঙনা অমত্তা ওইবা খোঙজং চৎশিনবা মতম ওইরে শান্নবগীদমক। য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা ফংদুনা ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱার্ল্ড কপ ২০১৭ হন্দক্তি য়াওবা ফংলে অদুবু লুরিবদি মথংদি ক্বালিফায়িং রাউন্দ শান্নদুনা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমগদ্রা ঙল্লোইদ্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমদি ওইরি। য়েংবা তাই ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা করম্না হোৎনবা, ঙাইবা তারি মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর বিরেননা করম্না মতমগা চান্নবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ শান্নবা য়াগদবা শান্নবুং শেম্বা। হায়খিবা ঙাংখিবা খুদিংমক কুইর কুইর মগুন লৈরকপা কাওঙল্লরোইদবা অমদি ওইহনসি।

## নুমিৎ ৪নিগী টেষ্ট মেটচ ত্রাইয়েল হৌরগনি

*দুবাই, ওক্তোবর ১২ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) না ঙসি ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা মতম শাংনা লৈরক্লবা নুমিৎ ৫নিগী টেষ্ট ফোর্মেট অদু নুমিৎ ৪নিদা হন্থদুনা ত্রাইয়েল হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

আইসিসিগী অনৌবা খোঙথাং অসিগী অহানবা ত্রাইয়েল মেটচ দিসেম্বর ২৬তগী ২৯ ফাওবা সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্বু ওইরগা জিম্বাৱেগা শান্নগদৌরি।

ৱাফম অসি ন্যু জিলেন্দগী সিটি ওকলেন্দদা আইসিসিগী বোর্দকী মীফম অমদা ৱারেপ লৌখিবনি। ক্রিকেট শান্নবা লৈবাকশিংনা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱান দে ৱার্ল্ড কপ অদু ফাওবা ত্রাইয়েল ওইনা শান্নবা য়াগনি হায়খি।

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী চিফ ইকজিক্যুটিভ দেব রিচার্দসননা ফোঙদোকখিবদা নুমিৎ ৪নিগী ওইবা টেষ্ট মেটচকী ফোর্মেট অসি ২০১৯ দা হৌনবা শেম শারি হায়খি।

## এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকীদমক শেম শাবা লোইরেঃ মেরি কোম

*ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ১৩ঃ*

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইরম্লবী অদুগা ওলিম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংবা ঙমখ্রবী বোক্সর এম সি মেরি কোমনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকীদমক্তা শেম শাবা লোইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নবেম্বর ২ দগী ১১ ফাওবা ভিয়েটনামগী সিটি হো চি মিনদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কন্টিনেন্টকী য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মেরি কোমনা মহাক্কী খ্বাইদগী পামজবা ৱেথ কেটেগোরি ওইরিবা কেজি ৪৮ দা শরুক য়াগদৌরিবনি।

কুমজা ২০১০ দগী কেজি ৫১ দা হেনগৎতুনা শান্নরকখিবী মেরি কোমনা মহাক্কী ৬লকশুবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অদু শরুক য়াগদৌরি।

কুমজা ২০১২ ওলিম্পিক গেমসতা ইহান হানবা ওইনা নুপীগী বোক্সিং মশান্না অসি মেডল স্পোর্টস অমা ওইনা য়াওখিবনি। মদুদা শরুক য়ানবগীদমক কেজি ৪৮ দা শান্নরম্বদগী কেজি ৫১ গী থাক্তা হেনগৎলগা শরুক য়াখিবনি। মদুদা মহাক ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।



নবেম্বর ২ দগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়ানবগীদমক মেরি কোম ত্রাইয়েলদা বাউট ৪ থিন্নখি। মদুদা অতোপ্পা মণিপুরী বোক্সর ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবী সর্জুবালা দেবীবুসু মহাক্না মায়থিবা পীরম্বনি।

হৌজিক-হৌজিক রাজ্য সভাগী মেম্বর অমাওইরিবী এম সি মেরি কোমনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাক্কদৌরিবা লম্বাশিং অদুবু মায়োক্লনবা শেম শারি হায়না পাউগী এজেন্সি অমগা উন্নবদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি মেরি কোমদা নত্তনা অতোপ্পা বোক্সর লাইশ্রম সরিতা দেবী এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরি।